ইন্দিয়ন ম্যুজিক # ৩০

রন্দোল্ফ মোইরাংথেম

ঈশৈ অমসুং জগোয়
Randolf Moirangthem

"THE MUGHAL EMPIRE"

Mughal শিংগী পুৱারী (হৌরকফম) : মুগলশিংগী হৌরকফম অসি য়াম্না কল থৌরবা Lineage অনীদগী হৌরকপনি। মখোয়গী মমাগী হৌরকফমসি Mongol tribe কী য়াম্না কল থৌরবত্তা নত্তনা য়াম্নসু শাথিবা মৈদিংঙু Genghis Khan (1227 A.D.) দা লৈখিদবগী মচা মশুশিংদগী হৌরকখি। Gengis Khan না চাইনা অমসুং সেন্ট্রেল এসিয়াদা লান্দাদুনা লৌশিল্লম্মী। মুগলশিংগী মপাগী হৌরকফমসি Timur (Mongol) 1404 A.D. দা লৈখিদবা (য়াম্না কল থৌবা মৈদিংঙু ওইবতা নত্তনা য়াম্নসু শাথিবা মৈদিংঙু) গী মচা মশুশিংদগী হৌরকপনি। মহাক্না ইরান, ইরাক অমসুং হৌজিক্কী মতমদা টর্কি হায়না খঙনরিবা লৈবাকশিং অসিগী মৈদিংঙু ওইরম্মী। মরমশিং অসি লৈবনা মুগলশিং অসি হীরম অয়াম্বশিংদা য়াম্না কল থৌবতা নত্তনা আর্ট ফোর্ম ময়াম অমদসু য়াম্না ঙাওজবা মৈদিংঙুশিং য়াওরম্মী। মুগলশিং অহানবা পাল্লম্বা মৈদিংঙু ৬ (তরুক) শিং অসি The Great Mughals হায়না খঙনরি।

Babur : (1526 A.D. to 1530 A.D.) Babur না Mughal Empire গী অহানবা মৈদিংঙুনি। Babur না লান ময়াম অমা শোক্নদুনা হায়বদি The 1st Battle of Panipat মায় পাকখি। মথংদা দেল্লি অমসুং অগ্রা য়াম্না লায়না লৌশিনখি। মথংদা The Batle of Khanwa গী লান্দসু মায় পাকখি। মহাক্না তেনখ্রবা মতম চহী ৪ (মরি) অসি লান শোক্নদুনতা লৈবা মরম্না মতম অদুগী আর্ট ফোর্মশিং চাওখৎপা ঙমখিদে। লোয়ন-লোয়ননা ইন্দিয়াগী মীয়ামসু য়াম্না অৱাবা নংখিবনা মরম ওইরগা মরু ওইনা হিন্দুশিং অমদি মুসলিম আর্টিষ্টশিংগী নোংমগী চরা তাঞ্জরিবশিং অমসুং তাঞ্জরিবীশিংদা অৱা চৈথেং কয়া অমা নংহনখিরম্মী। হিন্দুশিংনা তাইবঙ মপূনি হায়না থৱায় হকচাং য়াওনা লাৎচরিবা মপূ 'Sri Ramachandra' গী পোক্লফম Ramajanmabhumi দা শাবা মন্দিরবু মৈদিংঙু বাবুরনা মথক্কী শরুক থুগাইরগা বাব্রি মসজিদ হায়না নৌনা মিংথোনখি। ঙসি ঙসিমকসু বাব্রি মসজিদ হায়না খঙনরি। মন্দির, মসজিদ, চর্চ, লাইশঙনচিংবশিং অসিসু আর্ট ফোর্মশিংগী মনুং চনফম থোকই। মরমদি মসিগী দিজাইনর, খুৎ-শা হৈরবী, হৈরবশিংনচিংবা ময়াম অমনা শাবনি। বাবুরনা মন্দিরগী মথক্কী শরুক থুগাইরগা মসজিদ ওন্থোকখিবসিনা মরম ওইরগা হিন্দু মুসলিম অনীগী মরক্তা ঙসি ফাওবা নুংঙাইনদবা ময়াম অমা লৈরি; লোয়ন-লোয়ননা ইন্দিয়াগী Prime Minister Narashimha Rao গী মতমদা হিন্দু মীয়াম অমনা মসজিদকী মথক থংবা শরুক থুগাইখি। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা হিন্দু-মুসলিম হাৎন-শুনবনা মরম ওইরগা আর্ট ফোর্মশিংদা তাংজদুনা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবীশিং অমসুং তাঞ্জরিবশিংদা য়াম্না অৱা মায়োক্নখি। মৈদিংঙু বাবুরগী মতমদসু মমাঙগী মুসলিম দাইনেষ্টিশিংনা নোর্থ ইন্দিয়াদা চৎনরম্বা ইন্দিয়াগী Ancient period তা চৎনরম্বা আর্ট ফোর্মশিংগী মহুত্তা Persian, Arabian, Turkish, Afgan নচিংবশিংগী অৱায়বা আর্ট ফোর্মশিং হায়বদি ঈশৈশিংদা Khayal, Thumari, Tappa, Gazal, কৱালি দাদরা, সাদরা, তারানানচিংবা Shringara (নুংশি নুংঙনগী) রসশিংদা শকপা ঈশৈশিংনা মীয়াম্না পাম্নবা হৌরকখি। হায়রিবা ঈশৈশিং অসিদা য়ৈরিবা টালশিংদি Teentaal (Sixteen beats time cycle) গী থেকা

Composition : ধা ধীন্ ধীন্ ধা/ধা ধী
x ২
ধীন্ ধা/ধা টিন্ টিন্ টা/টা ধীন্ ধীন্ ধা/ধা
০ ই x

Taal Ektaal : (12 Beats time cycle), থেকা Composition:
ধীন্ ধীন্/ ধাগে তীরকীত/তু না/কৎ তা/
০ ২ ০
ধাগে তীরকীত/ধীন্ না/ধীন
ই । x

বিট অমগী মতমদা সাউন্দ অমদগী হেন্না য়ৈরক্লবদি Pandit Bhatkhande Taal Notetion system দা অর্ধ চক্র (Half moon গী মপানগী শরুক্কা Note শিং অদুগী মখাদা কোয়শিনগনি। খুদম : তিরকিত হায়রিবসি সাউন্দ মরি হায়বদি ১. তি, ২. র, ৩. কি অমসুং ৪. দা ত হায়রিবা সাউন্দ (Note) মরিশিং অসিনা বিট অমদা য়ৈবনা মরম ওইরগা Note (Sound) ৪ (মরি) অসিগী মখাদা অর্ধ চক্র (Half Moon) গী মখা থংবা শরুক্কা মাত্রা (বিট) অমদা তঙ্খাই য়ৌনা কোয়শিনগনি। অদুগা মাত্র (বিট) অমদা Sound (Note) অমখক্তং লৈরবদি অর্ধ চক্র (Half Moon) গী মতায় থংবা শরুক্কা তঙ্খাই ফাওবা কোয়শিল্লোই।

Taal Choutaal :
ধা ধা/দিন তা/
x ০
কিত ধা/দিন্ তা/
২ ০
তিত কত/গদি গন/ধা
ই । x

N.B. করিগুম্বা মাত্র (বিট) অমদা Note (sound) অমদগী হেন্না য়াওরিবা মরোলশিং অসিগী মখাদা অর্ধ চক্র (Half Moon) কোৎপগী খুদোংচাবা লৈত্রবদি খুদোংচাদবশিংগীদমক ঙাকপীগনি হায়না থন্বীরম্মু হায়না নোল্লুকচরি।

Teentaal (16 Sixteen beats time cycle)
1 2 3 4/ 5 6 7 8/9 10 11 12/13 14 15 16/1
x 2 ই x
Jhaptaal (10 Ten beats time cycle)
1 2/3 4 5/6 7/8 9 10/1
x 2 0 ই x

মথক্তা থমখ্রিবা তাল অনী অসিনা example ওইনা থমজরগা টবলাদা য়ৈনরিবা টালশিং অসি Teetaal, Jhaptaal, Ektaal (12 beats time cycle), Jhumada (14 beats time cycle), Jata Taal (16 beats time cycle), Deepchndi (14 beats time cycle), Chachara (14 beats time cycle), Roopak Taal (7 beats time cycle), Khemtataal (12 beats time cycle), Taal Kaharawa {8 (eight) beats time cycle}, Taal Dadra (6 six beats time cycle) অসিনচিংবনি । Dhruvapada (Dhrupad) অমসুং Dhamar হায়না খঙনরিবা শৈশকশিং অসিদা য়ৈনরিবা টালশিং অসিনা Choutaal (মণিপুরদনা Choutala হায়না খঙনৈ। টাল অনী অসি খেন্নবা করিসু লৈতবা মরম্না Hindusthani Taal System দগী চঙলকপা ওইবগী থাজবা লৈ।) (12 beats time cycle), Taal Tivra (7 beats time cycle), Taal Dhamara (14 beats time cycle), অসিনচিংবা অতোপ্পা টাল ময়াম অমসু লৈরি।

টালশিং অসিগী মরক্তা । (চৈখে) গী খুদমশিং অসিনা Bibhak (Section) হায়না খঙনৈ। অদুগা x, 2 ইনচিংবশিং অসিনা Taalli (on beat) হায়রগা খঙনৈ। x কী খুদম অসি সম্ হায়নসু খঙনৈ। 0 (Zero) গা মান্নবা খুদম অসিনা খাল্লি (off beat) হায়না খঙনৈ।

মতেং লৌজখিবশিং :

1. Tabla Prakash 2. Taal Vadya Sastra 3. My Wonderful Book of Social Science.

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -১৮

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

মরিশুবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লি - ১৯৮৪-৮৫গী জেনরেল ইলেক্সন্দা কারকপশিং :

নম্বর অমসুং কন্সটিট্যুসনগী মমিং		কেন্দিদেটশিংগী মমিং	পার্টি
১	খুন্দ্রাকপম এ সী	লাইরেনলাকপম লালা	ইন্দিপেন্দেন্ট
২	হৈঙাং এ সী	ৱাইখোম জাগোর	আই এন সী
৩	খুরাই এ সী	অতোম্বা ঙাইরোংবমচা	ইন্দিপেন্দেন্ট
৪	ক্ষেত্রিগাও এ সী	অহম্মদ শাহ	আই এন সী
৫	থোংজু এ সী	নামৈরাকপম বিসেশ্বর	ইন্দিপেন্দেন্ট
৬	কৈরাও এ সী	অবদুল মতলিপ	আই এন সী
৭	অন্দ্রো এ সী	লোইতোংবম অমুজৌ	আই এন সী
৮	লমলাই এ সী	য়ুমখাইবম কেরানি	আই এন সী
৯	থাংমৈবন্দ এ সী	কোইজম রাধাবিনোদ	আই এন সী
১০	উরিপোক এ সী	পাওনম অচৌ	আই এন সী
১১	শগোলবন্দ এ সী	সলাম দামুদোর	ইন্দিপেন্দেন্ট
১২	কৈশামথোং এ সী	লাইশোম ললিত	আই এন সী
১৩	শিংজমৈ এ সী	ইরেংবম তোম্পোক	আই এন সী
১৪	য়াইস্কুল এ সী	আর কে দোরেন্দ্র	আই এন সী
১৫	ৱাংখৈ এ সী	য়ুমখাম ইরাবোত	আই এন সী
১৬	সেকমাই এস 'ঈ' এ সী	খাঙেম্বম লৈরিজাও	আই এন সী
১৭	লমশাং এ সী	মুতুম দেবেন	ইন্দিপেন্দেন্ট
১৮	কোন্থৌজম এ সী	হেনাম লোখোন	আই এন সী
১৯	পাৎশোই এ সী	লৈশাংথেম চন্দ্রমনি	আই এন সী
২০	লংথবাল এ সী	ও জয়	এম পি পি
২১	নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী	ৱাহেংবম অঙৌ	আই এন সী
২২	ৱাঙ্গৈই এ সী	ৱহেংবম নিপামচা	জনতা
২৩	ময়াং ইম্ফাল এ সী	মৈনম নিলচন্দ্র	জনতা
২৪	নম্বোল এ সী	টি ঐচ চাউবা	আই এন সী
২৫	ওইনাম এ সী	কৈশাম বীরা	আই এন সী
২৬	বিষ্ণুপুর এ সী	থিয়াম উধোপ	ইন্দিপেন্দেন্ট
২৭	মোইরাং এ সী	মাইরেনবম কোইরেং	জনতা
২৮	থাঙ্গা এ সী	হৈস্নাম সনায়াইমা	ইন্দিপেন্দেন্ট
২৯	কুম্বী এ সী	সনসম বীরা	ইন্দিপেন্দেন্ট
৩০	লিলোং এ সী	আলাউদ্দিন	এম পি পি
৩১	থৌবাল এ সী	লৈতাম্থেম তোম্বা	জনতা
৩২	ৱাংখেম এ সী	নহাকপম নিমাইচান্দ	ইন্দিপেন্দেন্ট
৩৩	হৈরোক এ সী	মোইরাংথেম ইবোতোম্বী	আই এন সী
৩৪	ৱাংজিং তেন্থা এ সী	মোইরাংথেম নরা	সী পি আই
৩৫	খাঙবোক এ সী	ওক্রম ইবোবী	ইন্দিপেন্দেন্ট
৩৬	ৱাবগাই এ সী	ময়েংবম মনিহার	ইন্দিপেন্দেন্ট
৩৭	ককচীং এ সী	য়েংখোম থম্বাল	ইন্দিপেন্দেন্ট
৩৮	হিয়াংলম এ সী	এলাংবম বীরমনি	আই এন সী
৩৯	শুগুনু এ সী	ময়াংলম্বম বাবু	আই এন সী
৪০	জিরিবাম এ সী	টি ঐচ দেবেন্দ্র	আই এন সী
৪১	চান্দেল এস টি এ সী	ঐচ টি থুঙাম	ইন্দিপেন্দেন্ট
৪২	তেংনৌপল এস টি এ সী	জেনসন হালকিপ	ইন্দিপেন্দেন্ট
৪৩	ফুংয়ার এস টি এ সী	রিশাং কৈশিং	আই এন সী
৪৪	উখ্রুল এস টি এ সী	এ এস আরথর	ইন্দিপেন্দেন্ট
৪৫	চিংঙাই এস টি এ সী	আর ভি মিংথিং	আই এন সী
৪৬	সাইকুল এস টি এ সী	হোলখোলেট খোংসাই	ইন্দিপেন্দেন্ট
৪৭	কারোং এস টি এ সী	কে এস বেঞ্জামিন বানী	ইন্দিপেন্দেন্ট
৪৮	মাও এস টি এ সী	এস লোরহো	আই এন সী
৪৯	তদুবী এস টি এ সী	এন জি লুইকাং	আই এন সী
৫০	কাংপোকপী এ সী	কিশোর থাপা	ইন্দিপেন্দেন্ট
৫১	সাইতু এস টি এস সী	এস এন পাওখোসৈ	আই এন সী
৫২	তামৈ এস টি এস সী	আই দি দিজুয়ানাং	আই এন সী
৫৩	তমেংলোং এস টি এস সী	জাগামনুং পানমৈ	আই এন সী
৫৪	নুংবা এস টি এস সী	গাইখাঙম	আই এন সী
৫৫	তিপাইমুখ এস টি এস সী	ঙুরদিংলেন	ইন্দিপেন্দেন্ট
৫৬	থানলোন এস টি এস সী	ফুংজাথাং	আই এন সী
৫৭	হেংলেপ এস টি এস সী	সেহপু	আই এন সী
৫৮	চুড়াচান্দপুর এস টি এস সী	জে এফ রোংথাংলিয়ানা	কে এন এ
৫৯	সাইকোট এস টি এস সী	ঙুনহোহাও	এম পি পি
৬০	শিংহাট এস টি এস সী	গৌজাদৌ	আই এন সী

তাং ৪/১/১৯৮৫দা রাজ্যপাল জেনরেল কে ভি কৃষ্ণরাওনা শ্রী রিশাং কৈশিংবু মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌহনখি। কোংগ্রেস (আই) প্রসিদেন্ট শ্রী লাইশোম ললিতসু কেবিনেট মন্ত্রি ওইনা ৱাশকহনখি।

তাং ১৮/১/১৯৮৫দা রাজভাবন্দা রাজ্যপাল কে ভি কৃষ্ণরাওনা কেবিনেট মন্ত্রি ৮ অমসুং রাজ্য মন্ত্রি ৩ ৱাশক লৌহনখি।

নুমিৎসিদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং অমসুং ষ্টেট মিনিষ্টরশিংগী পোর্টফোলিওশিং অসুম্না ওইখি :

চীফ মিনিষ্টর

১) শ্রী রিশাং কৈশিং - ক) কনফিদেন্সিএল এন্দ কেবিনেট খ) হোম গ) জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্ট ঘ) পার্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্ম ঙ) ভিজিলেন্স চ) প্লান্নিং ছ) পৱার জ) স্পোর্টস এন্দ যুথ ৱেলফ্যের ঝ) এন্দ অদর দিপার্টমেন্টস নোট মেন্সন্দ ইন্সৱেয়ার (অতৈ মফমদা পন্দবা দিপার্টমেন্টশিং)

কেবিনেট মিনিষ্টরশিং -

২) শ্রী এন চন্দ্রমনি - ক) এরিগেসন, ফ্লদ কন্ট্রোল এন্দ মাইনর এরিগেসন।
৩) শ্রী টি ঐচ চাউবা - ক) ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাইজ খ) লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্ট
৪) শ্রী টি ঐচ দেবেন্দ্র - ক) পব্লিক হেলথ এঞ্জিনিয়ারিং খ) লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফ্যেরস
৫) শ্রী এম ইবোতোম্বী - ক) রেভেন্যু খ) এনিমেল হাজবেন্দরি এন্দ ভেটিরিনরি ইনক্লুদিং দাইরি ফার্মিং
৬) শ্রী এন ললিত - ক) ফাইনান্স খ) ফোরেষ্ট এন্দ এক্সাইজ দিপার্টমেন্ট
৭) শ্রী সোসো লোরহো - ক) এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট খ) ইকোনোমিক্স অমসুং ষ্টেটিষ্টিক্স
৮) শ্রী ফুংজাথাং - ক) মেদিকেল, হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের
৯) শ্রী কে রাধাবিনোদ - ক) পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট খ) লোকল সেল্ফ গভর্ণমেন্ট
১০) শ্রী আই তোম্পোক - ক) এদ্যুকেসন খ) সোসিয়েল ৱেলফ্যের গ) ফিসরি দিপার্টমেন্ট

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেন্দেন্ট ইন চার্জ)

১) শ্রী পি অচৌ, ষ্টেট মিনিষ্টর - ক) ইন্দষ্ট্রিজ ইনক্লুদিং জিওলোজি এন্দ মাইনিং এন্দ সেরিকলচর
২) শ্রী গাইখাঙম - ক) ত্রাইবেল দিভলপমেন্ট এন্দ দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল

ষ্টেট মিনষ্টির - ১) শ্রী এন অমুজৌ - পৱার

তাং ১৪/১০/১৯৮৫দা মুখ্য মন্ত্রি রিশাং কৈশিংনা লুচিংবা কোংগ্রেস (আই) মন্ত্রি মন্দলদা রাজ্য মন্ত্রি ৪ হাপচিনখি। মখোয়শিং অদুদি :-

১) শ্রী এম বাবু - ক) এরিগেসন এন্দ ফুদ কন্ট্রোল দিপার্টমেন্ট
২) মুহম্মদ আব্দুল মটলিপ - ক) এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট
৩) শ্রী নুইকাং - ক) এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট
৪) শ্রী ঐচ টি থুঙাম - ক) ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট

কেবিনেট মিনিষ্টর ১০ অমসুং রাজ্য মন্ত্রি ৭ পূন্না মন্ত্রি ১৭ শুরে।

কুমজা ১৯৮৫গী ওক্টোবর ৫দা রাষ্ট্রপতি শ্রী গ্যানি জৈল সিংহ নোংমগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা থুংলখি। রাজভবন্দা মন্ত্রিশিংগা উনখি। ইম্ফালদা লৈবা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী কাংজেবুংদা রাষ্ট্রপতিনা মীয়ামদা ৱা ঙাঙখি। তাং ৬/১০/১৯৮৫দা ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসিএল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজগী নুপী ময়াম্না দাবী পরেং য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীখি।

শ্রী রিশাং কৈশিংগী মিনিষ্ট্রি অসি প্রাইম মিনিষ্টর শ্রী রজিব গান্ধীগা মরী কয়া ফৎনরমদে। নেসনল সোসিএল কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন) অসি ইশাক শু, খপলাং, মুইভাগী লিচিং মখাদা কনখৎলকখি। কুমজা ১৯৬৫দা তৌনখিবা সিজ ফায়র লৈতবগুম্লে। আর্মিগী কাঙবুনদি শ্রী রিশাং কৈশিং নৎত্রগা মাগী খোঙলোইশিং অসি নাগা লালহৌবশিংগা মরী লৈনবগুম লৌই। শ্রী রিশাং কৈশিংবু য়াদবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা গভর্ণর জেনরেল কে ভি কৃষ্ণরাওদা চীফ মিনিষ্টরগী কাঙবুগা এন এস সী এনগা লৈনবা মরীদু চেক তৌনবা তকশিনখি। মরী লৈনবা অসি প্রমান পাণ্থে পীবদি কনানসু ঙমখিদে। অদুবু চিংনবা অদুদি অদুম মরৈখি। নহা ওইরিবা কোংগ্রেস লীদরশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধীদা শ্রী রিশাং কৈশিংবু লৌথোক্লবা তকশিনখি। গভর্ণরনসু ইন্দিয়া লৈঙাক্তা শ্রী রিশাং কৈশিং লৌথোক্লগা মপূং ফানা আর্মিগী ওপরেসন তৌনবা রিপোর্ট তৌখি। কোংগ্রেস লুচিংবশিং অমসুং গভর্ণরনা হায়বদু শ্রী রজিব গান্ধীসু য়াখি। প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধীনা শ্রী ভুটাসিংহ হোম মিনিষ্টরবু থারক্তুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ফম থাদোক্লবা হায়রে হায়খি। এসেমব্লিদা মশীং য়াম্বনদি মাবু শৌগৎলিবনি। কন্সটিট্যুসনগী হায়রবদি মাবু কনানসু লৌথোকপা য়াদে। হোম মিনিষ্টর শ্রী ভুটা সিংহনা রিজাইন তৌনবা তকশিনখি। প্রাইম মিনিষ্টরগা টেলিফোন্দা ৱারী শানহনখি। মঙোন্দা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফম থাদোক্লো হায়রকপদু তাহনখি। য়াম্না শাওনীংনা শ্রী রিশাং কৈশিংনা মাগী ফম থাদোকপগী চে পীশিনখি।

শ্রী রিশাং কৈশিংনা মার্চ ৪, ১৯৮৮দা অহিং নোংয়াইদা ফম হেক থাদোকপগা শ্রী রাজকুমার জয়চন্দ্রনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশকখি।

সহরশিংদা ওপন দিফিকেসনগী তঙাইফদবা

- সোরোক নোরেন -

ইন্দিয়াগী মোদি লৈঙাক্না লৈঙাক হেক পায়রকঙৈদগী অনৌবা মিসন কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। অদুগুম্বা মিসনশিংদুগী মনুংদা অমা ওইরিবা স্বাছ ভারত মিসনগী ওপন দিফিপেসন ফ্রী মায় পাক্লা চঙশিল্লি হায়বা তাই। অসিগুম্বা মিসন অসি মণিপুরগী সহর ২৭তসু তৌদবা য়াদবা তঙাইফদবা মিসন অমা ওইনা পায়খৎলিবা থৌওংনি। মণিপুরগী অর্বান এরিয়াদা লৈরিবা সহর ২৭ অসিনা হৌজিক খ্বাইদগী মরুওইবা মিসন অমা ওইনা পায়খৎলিবসি স্বাছ ভারত মিসন (য়ু) নি। মসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা লুচিংলিবা মীশক অসিগী হীমাই অসিনা মায়ওং চুম্বননি খুমাঙ চাউশিন্না চৎপা ঙল্লিবা।

অশেংবনি মণিপুরগী ওইনা স্বাছ ভারত মিসন (অর্বান) গী ষ্টেট মিসন দিরেক্টরগী থৌনা অমদি হৈশিংবা থৌশিলনা ঙসি হীরম খুদিংমক্তা অমা নৎত্রগা অমদি হেক্তা য়াওহৌনবা হোৎনরিবা। মিসন দিরেক্টরনা লুচিংলিবা সহর ২৭ অসিগী ঙসি ওইরিবা ফীভম য়াম্না অৱাংবা থাক্তা লৈরি হায়বা তাই। মরমদি মীকুপ খুদিং সহরশিং অসি কমদৌনা মিসন অয়াম্বদা মায় পাক্নবা হোৎনবা মথৌ তাই কুপ্না খঙলবা মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টরনি। মরম অদুনা ঙসিগী মপূং ওইরিবা ওপন দিফিকেসন ফ্রী ষ্টেটকী থাক্তা (অর্বান) খক্তগী ওইনা হোৎনবদা কয়ামুক য়াম্না খুমাঙ চাউশিল্লবগে হায়বদু খঙমিন্নসি। ষ্টেট অসি শরুক অহুম থোক্না খাইদোক্তুনা লৈরিবা মফমশিং চীং, অর্বান অমদি খুঙ্গং। অহুমসিগী মনুংদা ঙসিগী অর্বান ওইনা মীংথোল্লিবা মফমসিগী থৌওংদা মাঙজিল থারিবা মিসনশিংসি ষ্টেট মিসন দিরেক্টর এন গীটকুমার লৈরমদ্রবদি অদুক হাক্না থারম্লোই। খুদম ওইনা পল্লবদা হাওজিং ফোর ওল স্বাছ সরবেক্সন অমদি ওপন দিফিকেসন ফ্রী। অতৈ য়ুমথংনবা ষ্টেটশিংগা য়েংনবদা খ্বাইদগী মাঙজিল থাবা ষ্টেট অমা ওইরি মণিপুরনা স্বাছ ভারত মিসন (য়ু)। স্বাছ ভারত মিসন (য়ু) হায়রগা মপূং ওইনা উরিবা অসি হাওজিং ফোর ওল, স্বাছ সরবেক্সন, লোয়ননা ওপন দিফিকেসন ফ্রী। হাওজিং ফোর ওলদা ইন্দিয়াগী ওইনা য়াম্না মাঙজিল থারিবা ষ্টেটনি। ঙসি ইরমদমসিনা মীয়ামগীদমক হোৎনরিবা অনৌবা লৈঙাকসিগী অচৌবা খুদোল 'খুঙ্গং চৎসি' হায়বা পান্দমদা সহরসিগী থৌমী অয়াম্বা অমদি হাওজিং ফোর ওলনা খুঙ্গং খুদিংমক্তা অনৌবা মথেল ওইরি।

স্বাছ সরবেক্সনসুনি, ইন্দিয়াগী য়ামখ্রবা সহরশিংগী মনুংদা ময়াং ইম্ফালসু অচৌবা ফীদা কন্দুনা চৎলি। অদুগা ঙসিগী ওপন দিফিকেসন ফ্রীগী মিসনসিনা অমুক্কা হেন্না মাঙজিল থারি হায়বদা করিসু নোপনীংঙাই ওইদ্রি। মরমদি সহর ২৭ অসিগী মনুংদা অয়াম্বা সহর ২১দি ক্বালিটি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা ওপন দিফিকেসন ফ্রী সহর ওইবদা মতিক চারে হায়দুনা অয়াবা পীরম্লবা সহরশিংনি। লেমহৌরিবা সহর তরুক অসিসু অয়াম্বা তৌগদবা কাঙলোন পূম্নমক্তি লোইদুনা শুপ্নগী ক্বালিটি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী য়েংশিন খোঙচৎখক্তমক ঙাইরবনি। অদুবু হায়রিবা ক্যু সী আইগী সার্টিফিকেসন অসিদি ইরায় লায়না হেক্তমক ফংবা নত্তে। অহানবদা সহর অদুগী সিটি প্রোফাইল অমা মপূং ফানা শেমদুনা থমগনি। হায়রিবা সিটি প্রোফাইল অদুনা কোল্লিবা মফম খুদিংমক তরু তনান্না অমদি অরুবা ৱাফম অমা ওইরিবা ওপন দিফিকেসনগীদমক তশেংনা কদায়দা কমদৌনা অমাংবশিংবু লোইশিনগদগে অমদি মীয়াম হুপ্পা মফম খুদিংমক্তা মফম চানা শীজিন্ননবগী অচৌবা পান্দম ময়েক শেংনা উৎপা তাই। মীয়াম হুপ্না মসিগী লম অসিদা পূম্নমক লৌশিং তামিন্নরে হায়বগী খুদম চাংদম ওইবা দোক্যুমেন্ট কয়াগী মথৌ ওইরি। শম্না হায়রবদা ৱার্দ ৱার্দতুনা কোল্লিবা স্কুল, কোলেজ খুদিংমক অমাংবশিং মফম খঙনা শীজিন্নব্রা হায়বনচিংবা। অহানবদা স্কুল, কোলেজ অদুগী চপ চাবা তরু-তনানবা টৈইলেট ফেসিলিটি নুপা অমসুং নুপীগী তোখাই তোখাইনা লৈব্রা, শীজিন্নরিবা টৈইলেটশিংগী ঈশিংগী ফীভম কমদৌই, লৈবা তারবদি স্কুল, কোলেজশিং অদুগী মহৈরোয় খুদিংমক্না সেল্ফ দিক্লারেসন অমা পীবা তাই। মখোয়দা নত্তনা ওজাশিং অমদি অতৈ ষ্টাফশিংসু সেল্ফ দিক্লারেসনগী তঙাইফদবা লৈ। হায়রিবা পূম্নমক অসি স্কুল অদুগী প্রিন্সিপালনা অপূনবা ওইনা ভেরিফাইদ তৌবা তাই।


REVIEW MEETING ON THE PROGRESS OF ODF

অসুম্না কাঙলোন কয়া অসি লমদমদুগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংদসু চপ মান্ননা চৎনগনি। কম্মর্সিয়েল এরিয়া খুদিংমক, মীয়াম তিনবা মফম খুদিং পব্লিক টৈইলেটকীদমক কদাই ফাওবা খুমাঙ চাউশিন্না থন্বা সহর ওইরবগে হায়বনচিংবা অকুপ্পা ময়াম অমা মপূং ফারে হায়রকপা ক্যু সী আইগী টিম্না য়েংশিন খোঙচৎকীদমক শেম শাগদৌরিবনি।

ক্যু সী আইগী টিম্না সহর অদু য়ৌনবগী লম্বেল অসিসু তরাই তরাইবদি ওইদ্রি। অকুপ্পা কাঙলোন কয়া অসি শেম শাবা লোইদুনা সহর মশা অদুনা মশাগী ওইবা সিটি প্রোফাইল অদু মণিপুর অর্বান দিভলপমেন্ট ওথোরিটিদা থাগৎতুনা পীরবা মতুংদা ওথোরিটি অসিনা কদায় ফাওবা চুল্লবগে হায়বদু অমুকসু কুপ্না য়েংশিল্লিবনি। মদুগী মথংদা ওথোরিটি অসিনা অর্বান মিনিষ্ট্রিদা থাদুনা হায়রিবা ষ্টেট অসিগী অসিগুম্বা সহর অসি ওপন দিফিকেসনগীদমক শেম শাবা লোইরে। মরম অদুনা ক্যু সী আইনা অয়াবা পীবিনবগীদমক য়েংশিন খোঙচৎ অদু শেম শান্নবা হোৎনবীয়ু হায়দুনা খঙহল্লবা মতুংদা লাকপা খোঙচৎ ওইরিবনি। তরাই তরাইবা নত্তে। অসিগুম্বা খোঙচৎ অসিনা মপূং ফারবা মতুংদনি ক্যু সী আইগী ওপন দিফিকেসন ফ্রী টাউন ওইরে হায়দুনা অয়াবা সার্টিফিকেসন ফংগদৌরিবা। অসুম্না অয়াবা ফংলবা মণিপুরগী সহর ২৭কী মনুংদা সহর ২১দি ওইরে। অদুবু ক্যু সী আইনা পীরিবা ওপন দিফিকেসন ফ্রীগী মতম অসি শুপ্নগী থা তরুকখক্তনি। মথংগী থা তরুক খুদিংগী অমুক হন্না ক্যু সী আইগী টিম লাক্তুনা য়েংশিল্লবা মথৌ তারি। অদুনদি সহর অমবু ওপন দিফিকেসন ফ্রী ওইহনবা হায়বসি অরাইবা অমদি ওইদ্রি। হীরম অসিদগীনি ঙসি ইনৌ নৌনা হৌখিবা তাং ১২.৫.২০১৮দা লেমহৌরিবা টাউন তরুক্কী ইলেক্তেদ মেম্বর/রিপ্রজেন্টটিভ, ওফিসর, মরী লৈনবা মীওই কয়ামরুমবু অচৌবা চাকলেন য়াওবা মিটিং অমা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোক্লিবা। অসুম্না কয়ারক হন্না অচৌবা শেনফম চঙ চঙদুনা হোৎনরকপগী মপান্ননি ঙসি য়াল্লবা সহর ২১ মপূং ফাবা ঙল্লক্লিবা। ৱাৎহৌরিবা সহর ৬ অসিদংগা ওপন দিফিকেসন লাউথোকপা ঙল্লবদি মণিপুরগী ওইনা অর্বান্দা লৈরিবা সহর খুদিংমক্তি ওপন দিফিকেসন ফ্রী সহর ওইরে হায়রগদবনি।

মসিগী অচৌবা পান্দম অসিগীনি ঙসি ষ্টেট মিসন দিরেক্টর এন গীটকুমারনা তঙাইফদনা মথক্কী মরুওইবা মীওইশিং অসি পূন্নবা শেম শারিবা। লৈবাক অসিনা মহাত্মা গান্ধীগী চহী ১৫০শুবা মপোক নুমিৎ হায়বদি ওক্টোবর ২, ২০১৯দা ঙসিগী ইন্দিয়াগী লৈঙাক্না চাউরবা খুদোল ওইনা ইন্দিয়া পূম্নমকপু ওপন দিফিকেসন ফ্রী লৈবাক অমা ওইহন্নবা কন্না হোৎনরি। মসিগী মতুং ইন্না ঐগী ইরমদমগী শ্রী বিরেন্না লুচিংবা লৈঙাকসিনসু মাঙজৌননা কুমজা ২০১৯ য়ৌদ্রিঙৈদা লাক্লিবা ওগষ্ট থা, ২০১৮গী মমাঙদা মণিপুরগী সহর ২৭ মক ওপন দিফিকেসন ফ্রীগী সার্টিফিকেট পায়গদবনি হায়বা অকনবা চেকশিন থৌরাং। মরকসিদা ষ্টেট মিসন দিরেক্টর এন গীতকুমারনা অমুক জুন ২০১৮গী মমাঙদা অরিবসু অনৌবসু ক্যু সী আইগী খোঙচৎ মমি তাহনগদবনি হায়বা থৌনা। অদুনা হৌজিক মণিপুরগী সহর ২৭ খোঙজং অসিদা অরুম্বা থৌদাং লৌনরি। শুগুনু টাউন অমদি ময়াং ইম্ফাল টাউনদি ক্যু সী আইগী টিম্না মমাঙদা য়েংশিন খোঙচৎ য়ৌরক্লক্লবনি। অদুবু কাঙলোন মচা অমগী অৱাৎপা মচেৎ অমনা ঙসি ইনৌ নৌনা হনবা তারি। মথক্কী খোঙথাং কয়ামরুমদা মায় পাক্লবসু শুপ্নগী মী কুংনা তাবা ময়াং ইম্ফাল বজারগী কিলোমিটর অমনা কোনবা মফমদা পব্লিক টৈইলেট লৈরমদবগী নন ও দি এফ তাবা ওইরম্লে। হৌজিকমক্তি অশোয়বা অসি মেনখৎনবা ময়াং ইম্ফাল টাউন্না কন্না হোৎনরিবনা মথঙদদি শোয়দনা ঙমগনি হায়বগী আশা থল্লি। অসুম্না ৱাৎহৌরিবা টাউন খরা অসিসু অনীরক হন্দনবগী অপূনবা খোঙথাং য়েংমিন্নবগী তঙাইফদবা অদুনি ঙসি ১২.৫.২০১৮ সিটি কনভেন্সন সেন্তরদা অপূনবা রিভিয়ু ও দি এফ মিটিং পাঙথোক্লিবা। মমাঙদা লাউথোকখ্রবা কয়াসু চেকশিনবগী তঙাইফদবা কয়াদুদি অদুমক লৈরিবনি।

স্বাছ ভারত মিসন (অর্বান) গী মখাদা ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিনা মহৌশাগী পুন্সিদা অহোংবা কয়াদি লাকহল্লে। মরুওইনা মীপূম খুদিংমক তরু তনান্না লৈবগী হৈনবী খরমখৈদি উবা ফংলে। য়ুমগী ফত্ত হৌদি মফম চানা লোইশিনবা চাদা চাম্মা নৎত্রবসু অচৌবা মায় পাকপা অমদি ওইরে হায়নীংই। মহৌশা তুরেল খোংনুংদা য়ুমগী অমোৎ অকায়, ফত্ত হৌদি হুন্দোক্নরম্বা পূম্নমক লেপখ্রে হায়বমক ঙমদ্রবসু হুন্দোক্তবগা চপ মান্নরে হায়না লৌবা য়াই। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মপূং ওইরিবা মফম খুদিংমক অয়ূক নুমিদাং নোংমদা অনীরক ৱাই শিংতুনা নান্ননবা কন্না হোৎনরি। হীরম অসিদা মথৌনা লৈরবা এন জি ও কয়াসু থোরক্তুনা য়ুম য়ুমদগী ফত্ত হৌদি লৌথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মসিমক স্বাছ ভারত মিসন (অর্বান) গী অচৌবা মায় পাকপনি হায়নীংই। ইম্ফাল এরিয়াখক্তা নত্তনা টাউন ২৭মক্কী মফম খুদিংমক তরু তনান্না লৈনবা হোৎনবদা অয়ূক নুমিদাংগী থবক খাইদোকপা ঙমদ্রি। অশেংবনি ঙসিদি মপূং ওইনা স্বাছ ভারত মিসন্না ঙসিগী পুন্সি মহিংদা অচৌবা অহোংবা অমদি উহল্লে।

অরোইবদা ফনা য়াম্না গাইদ লাইন্না মরীক চুম্বা পাউতাক কয়া য়াওরবসু পাঙথোক্কদৌরিবা মীওইশিংদুনা মপূং ফানা হোৎনদ্রবদা গাইদ লাইন্নদি কৈদৌরুনি। চপ মান্নবা টেক্স বুক অমগী মখাদা পূন্না তম্মীন্নরিবা মহৈরোয় পূম্নমক চপ মান্নবা মার্ক কৈদৌঙৈদা ফংদবগুম হোৎনবা কনবা মথৌনা লৈবা মহৈরোয় অদুতনা মকোক থোংলিবনি। অসুম্না ঙসিগী অর্বান লোকল বোদি খুদিংমক্না মায় পাকপগী অচৌবা ফীদা ফংবা ঙল্লক্লিবা মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টর এন গীতকুমারগী খূৎ খরদি য়াওরিমাল্লে হায়নীংই।